# আই দব্লিউ এল ঃ সন্ধ্যাগী গোল ৫ গী মতেংনা গোকুলম কেরেলনা কহানি এফ সিবু লাকচনা ১৪-১ দা মায়থিবা পীখ্রে



**অহমেদবাদ, মে ০৭ (এজেন্সী):**
সন্ধ্যা রঙ্গানাথননা চনখিবা গোল ৫ গী মতেংনা গোকুলম কেরেলা এফ সিনা কহানি এফসিবু লাকচনা ১৪-১ দা চথরিবা ইন্দিয়ান ৱুমেন্স লিগ (আই দব্লিউ এল) গী ফাইনেল রাউন্দগী থাংজ নুমিৎতা অহমেদবাদকী সাহিবোক পুলিস ষ্টিদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থিবা পীখ্রে।

গোকুলম কেরেলাগী মায় পাকপা অসিনা মমাং চহিগী আই দব্লিউ এল দা উরিষ্যা পুলিসকা শান্নখিবা মেটচতা ১২-০ দা থমখিবা রেকোর্দপু থুগায়বা ঙমখ্রে। গোকুলম কেরেলানা হৌজিক ফাওবদা পুন্না মেটচ ৫ শান্নখিবদা পোইন্ট ১৩ ফংদুনা গ্রুপ-এ টেবলগী মকোক্তা লৈরি।

গোকুলম কেরেলনা শগোলশেল নুমিৎতা মিসাকা য়ুনাইটেদকা শান্নখিবা মেটচ অমদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখিবনি।

গোকুলম কেরেলা অমদি কহানি এফ সি অনিনা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচ অদুদা শান্নবা হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ গোকুলমগী রঞ্জনা চনুনা শোয়বদগী আউন গোল অমা চনশিন্দুনা কহানি এফ সি গী অহানবা গোল ওইবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং সন্ধ্যা রঙ্গানাথননা শান্নবগী ১৪ শুবা মিনিটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১ দা লৈহনখি।

টিম অনিনা স্কোর মান্নরবা মতুং গোকুলম কেরেলাগী শান্নরোই সবিত্রা ভন্দারি, সিলকি অমদি ইন্দুমথি কথিরেসননা গোল অমমম হাপচিন্দুনা কহানি এফ সি বু ৪-১ দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনিশুবা হাফকী শান্নবদা গোকুলম কেরেলাগী খুদুম চনবা মখা চথরকপা ওইনা কেনিয়ন ফোরৱার্দ ভিভিয়ান এদজি অমদি দিফেন্দর অশালাতানা গোল অমমম হাপচিন্দুনা স্কোর সিটতা মখোয়গী মমিং চলহনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা সন্ধ্যাগী হোৎনজমনবু শকখঙদুনা প্লেয়র ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি। মেটচ অসিদা সবিত্রানা গোল ৪ চন্দুনা সিজন অসিগী ওইনা পুন্না গোল ১৫ শুবা ঙমখ্রে। মহাক্কী হেকমথংদা সেথু এফ সি গী কাজোল দিসৌজানা গোল ৮ চন্দুনা লৈরি।

অমরোমদা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা অতোপ্পা গ্রুপ-এ গী মেটচ অমদা মিসাকা য়ুনাইটেদ এফ সি অমদি ইষ্ট বেঙ্গল এফ সি ১-১ দা দ্রো ওইখ্রে।

টিম অনিনা শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। অনিশুবা হাফকী শান্নবদা লভনয়া উপাধ্যানা য়াম্না নিংথিনা য়েৎলোম থংবা কোর্নরদগী কাওরকখিবা বোল অমা নেট শোক্তুনা বেঙ্গলোরদা বেজ তৌবা টিম মিসাকা য়ুনাইটেদকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং ইষ্ট বেঙ্গলগী সবষ্টিট্যুট চংলকখিবী সিনগো মুরমুনা শাফুকন্না কাওশিল্লকখিবা বোল অমা মিসাকা য়ুনাইটেদকী গোলকিপরনা ফাবা ঙমহৌদবদগী নেট শোক্তুনা শান্নবগী ৭০ শুবা মিনিটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা ১-১ দা দ্রো ওইখিবনি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী মেটচ অমদা মুম্বাই নাইটস এফ সি না স্পোর্টস উরিষ্যাবু ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ-এ টোপ ফোরগী মনুং চনবা ঙমখ্রে।

মুম্বাই নাইটসকী মায় পাকপগী গোল ২ অদু রিতু রানি অমদি করিসমানা চনবা ঙমখি অদুগা স্পোর্টস উরিষ্যাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা অঞ্জুনা চনবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা হোপস এফ সি না মাতা রুকমনি এফ সি বু ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

স্কিপর রেনু রানিনা অহানবা হাফ লোইরমদাই শান্নবগী ৪৩ শুবা মিনিটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী হোপসকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

অনিশুবা হাফকী শান্নবদা সন্তোস অমদি মমতানা দেল্লিদা বেজ তৌবা টিম হোপস এফ সি গী মায় পাকপগী ২ শুবা অমদি ৩ শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

# হিরো সিনিয়র ৱুমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেল রাউন্দ দ্রো লাউথোকখ্রে



**ন্যু দেল্লি, মে ০৭ (এজেন্সী):**
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শিন্দুনা পাংথোকপা ২৭ শুবা হিরো সিনিয়র ৱুমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৩ গী ফাইনেল রাউন্দগী দ্রো থাংজ নুমিৎতা ভর্চ্যুয়েল ওইনা লাউথোকখ্রে।

পঞ্জাবনা য়ুম্বু ওইদুনা জুন ১৪ দগী হৌদুনা অম্রিটসরগী তোঙান তোঙানবা মফম অনি- জে এন দি য়ু স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমদি খালসা কলেজদা পাংথোক্কদৌরিবা ফাইনেল রাউন্দগী মেটচ অসিদা টিম ১২ - য়ুম্বু টিম পঞ্জাব, দাইরেক্ট সিদস রেলৱেস, গ্রুপ ষ্টেজগী গ্রুপ ৱিন্নরস ৬ অমদি বেষ্ট সেকেন্দ প্লেস টিম ৪ না গ্রুপ অনি থোক্তুনা শরুক য়ারি।

ফাইনেল রাউন্দ শান্নগদৌরিবা অম্রিটসরদা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ফাষ্ট রাউন্দগী গ্রুপ-ৱানগী মেটচশিং হোষ্ট তৌখিবনি। গ্রুপ-ৱানগী মেটচতা পুন্না টিম ৩০ না গ্রুপ তরুক খায়দোক্তুনা তোঙান তোঙানবা মফম ৬- হলদ্বানি, মারগাও, ভিলাই, মথুরা অমদি বেঙ্গলুরুদা মার্চ ২৫ দগী হৌদুনা এপ্রিল ৯ ফাওবা পাংথোকখিবনি।

মণিপুরনা হিরো সিনিয়র ৱুমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী রেকোর্দ ওইনা ২১ রক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি অমদি হৌখিবা এদিসন অহুমগীসু চেম্পিয়ন ওইখিবনি। কেরেলাদা ২০২১-২২ দা পাংথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরনা রেলৱেসপু পেনাল্টিদা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

য়ুম্বু পঞ্জাব অমসুং দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অমদি গ্রুপ-সিক্সকী ৱিন্নর মণিপুর দ্রোদা এ-১ অমদি বি-১ গী পোজিসন্দা দাইরেক্ট প্লেস ফংখি।

অতোপ্পা গ্রুপশিংগী ৱিন্নর হরিয়ানা (গ্রুপ-১), মহারাষ্ট্র (গ্রুপ-২), হিমাচল প্রদেশ (গ্রুপ-৩), ঝরখন্দ (গ্রুপ-৪) অমদি টামিল নাদু (গ্রুপ-৫) অদুগা বেষ্ট সেকেন্দ প্লেস টিম ৪ চান্দিগর (গ্রুপ-২), কর্নাটাকা (গ্রুপ-৬), ৱেষ্ট বেঙ্গল (গ্রুপ-৫) অমদি উরিষ্যা (গ্রুপ-৩) সু ফাইনেল রাউন্দ অসি চংবা ঙমখিবনি।

হিরো সিনিয়র ৱুমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সপ অসিগী ফাইনেল রাউন্দগী গ্রুপ-এ গী কাংলুপ্তা পঞ্জাব, টামিল নাদু, চান্দিগর, উরিষ্যা, কর্নাটাকা অমদি ঝরখন্দনা শরুক য়ারি অদুগা গ্রুপ-বি দা মণিপুর, হিমাচল প্রদেশ, মহারাষ্ট্র অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গল অমদি হরিয়ানানা শরুক য়ারি।

শান্নগদৌরিবা মেটচশিং অসি সিঙ্গল রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা শান্নগনি। গ্রুপ অনি অসিদগী টোপ টিম অনি অনিনা সেমি ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইগনি। ফাইনেল মেটচনা জুন ২৮ দা অম্রিটসরগী জি এন দি য়ু স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নরগনি।

গ্রুপ-এ গী ওইনা জুন ১৪ দা মেটচ ৩ শান্নগনি। চান্দিগর অমদি পঞ্জাবনা অয়ুক পুং ৭.৩০ দা জি এন দি য়ু স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থেংনরগনি। নুমিৎ অসিগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৪.৩০ দা চপ মান্নবা মফমদা উরিষ্যা অমদি ঝরখন্দ অদুগা চপ মান্নবা পুংফমদা খালসা কলেজদা টামিল নাদু অমদি কর্নাটাকা থেংনরগনি।

জুন ১৬ কী অয়ুক পুং ৭.৩০ দা জি এন দি য়ু দা পঞ্জাব অমদি কর্নাটাকা, নুংথিল পুং ৪.৩০ দা চপ মান্নবা মফমদা টামিল নাদু অমদি উরিষ্যা অদুগা চপ মান্নবা পুংফমদা খালসা কলেজদা চান্দিগর অমদি ঝরখন্দ শান্নরগনি।

জুন ১৮ গী অয়ুক পুং ৭.৩০ দা কর্নাটাকা অমদি চান্দিগর অনিনা জি এন দি য়ু দা অদুগা নুংথিল পুং ৪.৩০ দা ঝরখন্দ অমদি টামিলনা জি এন দি য়ু দা অদুগা পঞ্জাব অমদি উরিষ্যানা খালসা কলেজদা থেংনরগনি।

জুন ২০ দা উরিষ্যা অমদি কর্নাটাকানা জি এন দি য়ু দা অয়ুক পুং ৭.৩০ দা অদুগা নুংথিল পুং ৪.৩০ দা ঝরখন্দ অমদি পঞ্জাবনা জি এন দি য়ু দা অমদি টামিল নাদু অমদি চান্দিগরনা খালসা কলেজদা শান্নরগনি।

গ্রুপ-বি গী কাংলুপকী ওইনা জুন ১৫ দা মহারাষ্ট্র অমদি মণিপুর অনিনা অয়ুক পুং ৭.৩০ দা জি এন দি য়ু দা অদুগা নুমিৎ অসিগী নুংথিল পুং ৪.৩০ দা রেলৱেস অমদি হরিয়ানানা জি এন দি য়ু দা অমদি হিমাচল প্রদেশ অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলনা খালসা কলেজদা লম্বা তৌনরগনি।

জুন ১৭ তা মণিপুর অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলনা অয়ুক পুং ৭.৩০ দা, মণিপুর অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলনা জি এন দি য়ু দা অদুগা নুংথিল পুং ৪.৩০ দা হিমাচল প্রদেশ অমদি রেলৱেসনা জি এন দি য়ু অমদি মহারাষ্ট্রা অমদি হরিয়ানা খালসা কলেজদা লম্বা তৌনরগনি।

জুন ১৯ গী অয়ুক পুং ৭.৩০ দা জি এন দি য়ু দা ৱেষ্ট বেঙ্গল অমদি মহারাষ্ট্রা, নুমিৎ অসিগী নুংথিল পুং ৪.৩০ দা চপ মান্নবা মফমদা হরিয়ানা অমদি হিমাচল প্রদেশ অমদি মণিপুর অমসুং রেলৱেসনা খালসা কলেজ দা চপ মান্নবা পুংফমদা থেংনরগনি।

জুন ২১ দা রেলৱেস অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলনা জি এন দি য়ু দা অয়ুক পুং ৭.৩০ দা অদুগা নুংথিল পুং ৪.৩০ দা হরিয়ানা অমদি মণিপুর জি এন দি য়ু দা অমসুং হিমাচল প্রদেশ অমদি মহারাষ্ট্রা খালসা কলেজদা শান্নরগনি।

চেম্পিয়ন্সপ অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচনা জুন ২৫ দা অদুগা অনিশুবা সেমি ফাইনেলনা জুন ২৬ তা শান্নরগনি। সেমি ফাইনেল মেটচ অনিমক অম্রিটসরগী জি এন দি য়ু মেন ভেন্যুদা শান্নরগনি। অদুগা ফাইনেল মেটচনা জুন ২৮ দা চপ মান্নবা মফমদা শান্নরগনি।

# ই পি এল ঃ লমপার্দকী মখাদা চেলসিনা অহানবা ওইনা মায় পাকখ্রে



**ইংলণ্ড, মে ০৭ (এজেন্সী):**
চেলসিনা বোর্নমাউথপু ৩-১ দা চথরিবা প্রেমিয়র লিগকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থিবা পীখ্রে। চেলসিগী মায় পাকপা অসিনা মতম কুইনা মায় পাকপা ঙমদনা লৈরুরবা মতুং ইন্টেরিম মেনেজর ফ্রেঙ্ক লম্পার্দকী মখাদা মায় পাকপা অহানবা ওইরি।

চেলসিগী মায় পাকপা অসিনা পোইন্ট ৪২ ফংদুনা টেবলগী ১১ শুবা মফমদা লৈবা ঙমখ্রে অদুগা বোর্নমাউথনা লণ্ডন টিমদগী পোইন্ট শোথরগা টেবলগী ১৪ শুবা মফমদা লৈখ্রে।

লম্পার্দনা মহাক্কী অনিশুবা চার্জ পুরক্লবা মতুং মহাক্কী অহানবা গেম ৫ মায়থিদুনা লাকখিবনি। চেলসিগী ওইনসু ঙসিগী মায় পাকপা অসিনা মার্চকী অঙনবা শরুক্তগী অহানবা ওইরি।

কোর্নর গেলেঘরনা প্রেমিয়র লিগকী প্রদক্সনদা ফোংদোকখিবদা ঐখোয়না পাম্বা অমদি য়ৌহন্নিংবা পার্ফোমেন্স অদু ঙসিদি য়ৌবা ঙম্লে। মসি য়াম্না নুংঙাইবা অমনি। ঐখোয়না হৌখিবা গেমশিংদা ফজবা পার্ফোমেন্সশিং পীবা ঙমখিদে। ঙসিগী গেম অসি ঐখোয়গী ওইনসু য়াম্না মরুওইবা গেম অমনি। ঐনা খল্লি, ঐখোয়না ফজবা পার্ফোমেন্সশিং পীখি, মসিমক্তা মায় পাকপা ঙম্বনি হায়খি।

মখা তানা ঐখোয়না মাংলোমদা চংশিনবা ঙমগনি হায়বগী কনফিদেন্স লৈ। শান্নরোই খুদিংমক্তসু হেন্না কনফিদেন্স লৈবগী মমি তারি। অমদি ঐখোয়না গেমশিংদা খুদুম চনবা ঙমগনি। শান্নখিবা মেটচ অসি টিমগী ওইনা ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ওইখি। মখা তানা মসিগী মোমেন্টম অসিদা চৎনবসু হোৎনগনি হায়না কোর্নরনা মখা তাখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা বোর্নমাউথনা শান্নবা হৌরকপগী ৫ শুবা মিনিটতা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা অনি ফংখি অদুবু চেলিসিগী দিফেন্সনা হৈ-শিংনা ঙাকথোক্তুনা অরেম্বা তাহনখি। গেলেঘরনা হৈ-শিংনা হেদিং তৌশিন্দুনা নেট শোক্তুনা ভিজিটর টিম চেলসিনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনিশুবা হাফ হৌরকপদা চেলসিনা খুদুম চন্না শান্নখি। বোর্নমাউথকী দোমিনিক সোলানকেনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা ১৮ য়ার্দ বোক্সর মনুংদা থিয়াগো সিলভানা লৌনবা হোৎনবদা ফাউল তৌই হায়না চার্জ তৌরকখি। অদুবু ভিএ আর চেক তৌবদা ভর্জিলিয়ান শান্নরোই অদুনা বোল হান্না পায়রম্বদগী পেনাল্টি অদু পীখি।

মেটচ লোইরমদাই বোর্নমাউথকী শোন্থরকপগী খুদোংচাবা লৌবগা লোয়নন্না চেলসিগী ফংখিবা ফ্রি কিক অমা হকিম জিয়েকনা কাওরক্তুনা থাদরকখিবা বোল অমা বাদিয়েসিলিনা নিংথিনা ফারবা মতুং বোর্নমাউথকী নেতোবু নাথৈরম্লগা কাওশিল্লকপা বোল অমা নেট শোক্তুনা ক্লব অসিগী মহাক্কী অহানবা গোল চনখিবগা লোয়নন্না চেলসিনা ৩-১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

# নিরজ চোপ্রানা লাক্কদৌরিবা কম্পিটিসনশিংদা অহেনবা মীৎয়েংগী পান্দম থল্লি



**ন্যু দেল্লি, মে ০৭ (এজেন্সী):**
ওলিম্পিক চেম্পিয়ন নিরজ চোপ্রানা মহাক্কী ডাইমন্দ লিগকী টাইটল দিফেন্স তৌনবা অহানবা লেগকী মায় পাকপখিবগা লোয়নন্না সিজন অসিদা পাংথোক্কদৌরিবা কম্পিটিসনশিংদা হেন্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীনবা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি হায়না মমাং চহিগী ডাইমন্দ লিগকী ফাইনেল ত্রোফি লৌখ্রবা চোপ্রানা ফোংদোকখ্রে।

চোপ্রানা কটার স্পোর্টস ক্লবতা ইরাই নুমিৎতা পাংথোকখিবা সিজন অসিগী ওপনিং ফার্ষ্ট রাউন্দদা মহাক্কী মিটর ৮৮.৬৭ গী বেষ্ট থ্রো লংদুনা অহানবা লেগ মায় পাকখ্রে।

চোপ্রানা ফোংদোকখিবদা মায় পাকখিবা অসি য়াম্না অরুবা অমা ওইখি অদুবু ঐ য়াম্না হরাওই। মসি তশেংনা ঐগী ওইনা অফবা অহৌবা অমনি হায়খি।

সিজন অসিগী ওইনা ঐগী ওইনা হকচাং ফন্না ফিট ওইনা লৈরি। অমদি মথংগী কম্পিটিসন্দা ঐগী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙম্নবা হোৎনগনি। ঐনা মখা তানা হেন্না তৌবা ঙম্নবা অমদি মিটর ৯০ গী মার্ক য়ৌবা ঙম্নবা মীৎয়েংসু থল্লি। মসিগী মথক্তা ঐগী হকচাংসু ফন্না লৈহন্নবা থৌরাং তৌরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ৱার্ল্ড বোডিগী মতুং ইন্না চোপ্রানা ৱার্ল্ড এথলেটিক্স কন্টিনেন্টেল টুর গোল্ড লেভেল মীট অমা ওইরিবা চেক রিপব্লিক্তা জুন ২৭ তগী হৌদুনা পাংথোক্কদৌরিবা ওষ্ট্রাভা গোল্ডন স্পাইক ইভেন্টতা শরুক য়ারগনি হায়রি। চোপ্রা হৌজিক হৌজিক টর্কিগী এন্টালয়াগী ত্রেনিং বেজদা ত্রেনিং চথরি।

ইন্দিয়াগী সুপর ষ্টারনা ফোংদোকখিবদা মথংগী কম্পিটিসন্দা অহানবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমগনি থাজৈ হায়খি। অহানবা লেগকী কম্পিটিসন্দা চোপ্রানা মহাক্কী অহানবা ত্রাইদা মহাক্কী খ্বাইদগী ফজবা থ্রো লংবা ঙমখি। ওলেম্পিক চেম্পিয়ন অসিগী হোৎনজমনবু মহাক্কী কোম্পেত্রিয়েটশিংনা থাগৎপা ফোংদোক্লখি।

য়াল্লবা মীয়াম্না ঐহাকপু সপোর্ট তৌবা লাকখি অমদি মখোয় তশেংনা হরাওখি। করিগুম্বা মতমদা য়াম্না অরুবা অমসু ওই মরমদি ঐখোয় লৈবাক অচৌবদগী লাকপনা মীয়াম্না মঙোন্দা থাজবা থল্লি অমদি ঐগী লৈবাক্কী এথলিট কয়া অমসু ঐগা পুন্না ডাইমন্দ লিগ অমদি অতোপ্পা কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়ারি হায়খি।

# মিয়ামি গ্রান্দ প্রিক্স ঃ রেদ বুলগী সর্জিও পেরেজনা পোল পোজিসন্দা লৈখ্রে

**মিয়ামি গার্দেন, মে ০৭ (এজেন্সী):**
রেদ বুলগী সর্জিও পেরেজ সন্দে মিয়ামি গ্রান্দ প্রিক্সকী পোল পোজিসন্দা লৈবা ঙমখিবগা লোয়নন্না ষ্টেন্দিংগী টোপতা লৈদুনা মায় পাক্লবা মীৎয়েং থমখ্রে।

মহাক্কী টিম মেট মেক্স ভরষ্টেপ্পেননা গ্রিদকী ৯ শুবদা লৈবা ঙমখ্রে। পেরেজনা হৌখিবা চয়োলদা অজরবাইজানদা সিজন অসিগী অনিরক শুবা ওইনা মায় পাক্লবা মতুং পোইন্ট ৬ শোথরগা দিফেন্দিং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ভরষ্টেপ্পেনগী মতুংদা লৈরি।



এষ্টন মার্তিনগী ফর্নান্দো এলোনসোনা অনিশুবা মফমদা লৈনবা ক্লেইম তৌবগা লোয়নন্না ফরারিগী কার্লোস সেন্সনা অহুমশুবদগী হৌনবা শেম শারি।

ফরারিগী চার্জ লেক্লের্কনা মিনিট ১ গা সেকেন্দ ৩৬ ক্রাস আউট তৌদুনা রেদ ফ্লেগ হায়গৎহনখি অমদি মখা তানা সেসন অসি হৌদনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

লেক্লের্কনা টর্ন সিক্সতা মহাক্কী কন্ট্রোল মাংখিবগা লোয়নন্না মথংগী টর্নগী এন্ত্রিসু কন্ট্রোল মাংখি।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৭ রক ওইবা ঙমখ্রবা মার্সিদিসকী লেৱিস হলমিল্টননা ক্যু ২ য়ৌবা ঙমদনা সন্দে রেস অসিগী গ্রিদকী ১৩ শুবা মফমদগী হৌরগনি।

পনবা য়াবদি ইরাই নুমিৎকী প্রেক্টিসকী মতুং দ্রাইভর কয়ানা ত্রেদ অসি য়াম্না নাল্লি অমদি চেলেঞ্জকীদমক অরুবা অমা ওইগনি হায়না কমপ্লেইন তৌবা লৈখিবনি।

# মিয়ামি চেম্পিয়ন কেভিটোভা ইটালিয়ান ওপনদা শরুক য়াররোই

**ন্যু দেল্লি, মে ০৭ (এজেন্সী):**




পেত্রা কেভিটোভানা মহাক্কী য়েৎ থংবা খোঙদা অশোকপা লৈবনা মরম ওইরগা মথং চয়োলদগী হৌদুনা পাংথোক্কদৌরিবা ইটালিয়ান ওপনদা শরুক য়াররোই হায়না থাংজ নুমিৎতা সোসিয়েল মেদিয়াদা মহাক্না ফোংদোকখ্রে।

মমাং থাদা পাংথোকখিবা মিয়ামি ওপনগী ৱিন্নর ওইখিবী চেক রিপব্লিক্কী ৱার্ল্ড নম্বর ১০ কেভিটোভানা মখা তানা ফোংদোকখিবদা চহি অসিদা পাংথোক্কদৌরিবা গ্রান্দ স্লম ফ্রেন্স ওপন শরুক য়াবা ঙম্নবা মতম চানা রিকোভর তৌবা ঙমগনি থাজৈ হায়খি।

ৱিমবলদন চেম্পিয়ন অনিরক ওইখ্রবী কেভিটোভানা ট্যুটরদা ফোংদোক্লদুনা ঐনা ফজখ্রবা মফম অমদি ইটলিয়ান ফেনশিংবু মিস তৌরগনি অমদি টুর্নামেন্ট অসিবু অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইরসনু হায়খি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 789**

**Ediz Gurel (2445) - Mahammad Muradli (2550)**

**59th World Juniors 2022 Cala Gonone ITA, 2022.10.20**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 d6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Nf6 | 5.Nc3 a6 |
| 6.Bg5 e6 | 7.f3 Nbd7 | 8.Qd2 Qc7 | 9.O-O-O b5 | 10.g4 h6 |
| 11.Be3 b4 | 12.Nce2 d5 | 13.exd5 Nxd5 | 14.Bf2 Bb7 | 15.Bg2 Rc8 |
| 16.Rhe1 Be7 | 17.h4 N7b6 | 18.Kb1 Na4 | 19.g5 hxg5 | 20.hxg5 Rh2 |
| 21.Rg1 Qb6 | 22.Qe1 Bc5 | 23.Ka1 g6 | 24.Bg3 Rh5 | 25.Qd2 Nxb2 |
| 26.Kxb2 Nc3 | 27.Nc1 Qa5 | 28.Ndb3 Qa3+ | 29.Ka1 Bd5 | 30.Be5 Bxg1 |
| 31.Rxg1 Bxb3 | 32.cxb3 Rd8 | 33.Qe3 Rd1 | 34.Rxd1... | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 788 Ans. :**

41. Kh2
Your moves:41.g4+
Your moves:41.Rxc5
Qxf1 42. g4+ Kxg4 43. Qe4+ The white queen attacks Black's king, which is defending the square f3 and the square f5.
43. Qg3+ Kf5 44. Rxc5+ Ke6 45. Qe5+ Kd7 46. Rc7+ Kd8
47. Qe7# Triangle mate Damiano's rook mate
1-0

# EMPLOYMENT NEWS

## CAU RECRUITMENT 2023 FOR 190 PROFESSOR AND VARIOUS POSTS

Vacancy Circular No: -
Central Agricultural University (CAU) Professor and Various Posts Recruitment 2023
Advertisement for the post of Professor and Various Posts in the Central Agricultural University (CAU). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 31st May 2023. Candidates can check the latest Central Agricultural University (CAU) Recruitment 2023 Professor and Various Posts Vacancy 2023 details and apply online at the cau.ac.in/ recruitment 2023 page.
The Central Agricultural University (CAU) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ cau.ac.in/. Central Agricultural University (CAU) selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed in Manipur. More details of cau.ac.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Professor and Various Posts
Job Location:
Lamphelpat, Imphal, 795004 Manipur
Last Date: 31st May 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 190 Posts
Educational Qualification: Candidates Should have Masters's Degree/ Ph.D.
Pay Scale:
INR
57700-144200/- Per Month
Age Limit: Maximum 35 Years.
Application Fee:
For UR/ OBC: Rs. 1,000/-.
SC/ ST/ PWBD/ Women candidates are exempted from the payment of fees..
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://cau.ac.in/recruitment-for-the-various-posts-of-assistant-profess...
Important Dates:
Published on: 11th April 2023
Last date for application is: 31st May 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

## HIGH COURT OF MANIPUR RECRUITMENT 2023 FOR 118 LOWER DIVISION ASSISTANT, GROUP-D

Vacancy Circular No: -
High Court of Manipur Lower Division Assistant, Group-D (Peon, Chowkidar/ Chowkidar-Sweeper, Chowkidar/ Caretaker) Recruitment 2023
Advertisement for the post of Lower Division Assistant, Group-D (Peon, Chowkidar/ Chowkidar-Sweeper, Chowkidar/ Caretaker) in High Court of Manipur. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 23rd May 2023. Candidates can check the latest High Court of Manipur Recruitment 2023 Lower Division Assistant, Group-D (Peon, Chowkidar/ Chowkidar-Sweeper, Chowkidar/ Caretaker) Vacancy 2023 details and apply online at the hcmimphal.nic.in recruitment 2023 page.
High Court of Manipur Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ hcmimphal.nic.in. High Court of Manipur selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Manipur. More details of hcmimphal.nic.in recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Lower Division Assistant, Group-D (Peon, Chowkidar/ Chowkidar-Sweeper, Chowkidar/ Caretaker)
Job Location:
Mantripukhri, Imphal, 795002 Manipur
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 118 Posts
Educational Qualification:
Lower Division Assistant (LDA): Graduate/ Degree holder from a recognized university/ institute. Must have basic knowledge of computer operation
Group-D: Must pass 10th standard from a recognized university. Driving Experience with a Driving License
Pay Scale: INR 15700-69100/- Per Month
Age Limit: 18-43 years.
Application Fee:
Lower Division Assistant:
Rs.600/- for UR Candidates
Rs.300/- for OBC/ ST/ SC Candidates
Group-D:
Rs.300/- for UR Candidates
Rs.150/- for OBC/ ST/ SC Candidates.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://hcmimphal.nic.in/
Important Dates:
Published on: 21st April 2023
Last date for application is: 23rd May 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com